## কুরাক লমদাইবা

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** সনা কোনুংগী চহীগী মশিল অমা ওইরিবা কুরাক লমদাইবা থৌরম ইবুধৌ পাখংবগী লাইমাংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পোইরেতোন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা লৈবাক্কীদমক সনা কোনুংনা কুমগী নোং লাইজ ঈ নিদুনা নোংজু নুংশা ফবা অমদি মহৈ-মরোং চুম্বা পীনবীয়ু হায়জদুনা চীংউ লাইদা থৌনিজবনি। থৌরম অসি খুল-খুলগী ওইনা খুল কোনবা লাইদা তায়নৈ অদুগা সনা কোনুংগী ওইনদি লৈবাক পুবা লাইদা তায়নৈ। থৌরম অসিদা মাইচৌ, ফম্লাইবা, মাইবা, মাইবী, পেনা, থাঙ-তা লোয়শঙ, সনা পালা লোয়শঙ য়াওনা পাঙথোকখি হায়রি।

## থাও য়েনগদবা পম্পশিং

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** সী এ এফ এন্দ পি দি লোয়শঙনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা হয়েংগী ওইনা থাও ফংহনগদবা পম্পশিংদি উরিপোক ইনর্জি ষ্টেসন, উরিপোক্তা এম এল এশিং, ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন এন্দ ট্রেজরি দিপার্টমেন্ট; পি সী টি সী, খোয়াথোংদা পোষ্টেল দিপার্টমেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন/ইম্ফাল ৱেষ্ট, এদ্যুকেসন, সী এম সেক্রেটরিয়েট ষ্টাফশিং, সেক্রেটরিয়েট ষ্টাফস এন্দ জি এ দি; কোইজম জিতেন সিংহ পম্প আই ও সী, ৱাংখৈ অয়াংপল্লি রোদ, ইম্ফাল ইষ্টতা হোম, সেক্রেটরিয়েট ষ্টাফশিং, জেনিমস, দি দি কে, এ আই আর, রিলিফ, এল পি জি ভেহিকলস এন্দ মেদিকেল; সাউথ সিটি পেট্রোলিয়ম, অকাম্পাৎতা মেদিকেল, ৱাটর ভেহিকল, ভেহিকলস এন্দ মেছিন্নরি য়ুজদ ইন এগ্রিকলচর এন্দ টেলিকোম; এ এন্দ আই ওইল ষ্টেসন, লম্লাইদা ৱাটর ভেহিকলস, মেদিকেল, রিলিফ, ভেহিকলস এন্দ মেছিন্নরি য়ুজদ ইন এগ্রিকলচর এন্দ টেলিকোম; এ জেদ সর্ভিস ষ্টেসন, ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিংদা এফ সী আই, ৱাটর ভেহিকলস, ভেহিকলস এন্দ মেছিন্নরি য়ুজ ইন এগ্রিকলচর, টেলিকোম, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন/ইম্ফাল ইষ্ট, বোসেম এন্দ কোসেম, এল পি জি ভেহিকলস, মেদিকেল এন্দ ৱাটর ভেহিকলস; এস এ এস সী ফিল্লিং ষ্টেসন, মৈত্রমদা ৱাটর ভেহিকলস, এল পি জি ভেহিকলস, মেছিন্নরি য়ুজদ ইন এগ্রিকলচর, টেলিকোম, মেদিকেল এন্দ টেলিকোম; কে এন্দ কে ইনর্জি ষ্টেসন, সগোলতোংবা নিয়র পাৎশোইদা কনভয় এন্দ ট্রান্সপোর্টরস (ওনলি দিজল); পি এন্দ জে সর্ভিস ষ্টেসন, খুরখুলদা ৱাটর ভেহিকলস, ভেহিকলস এন্দ মেছিন্নরি য়ুজ ইন এগ্রিকলচর এন্দ টেলিকোম; বি ঈ নোর্থ এ ও সীদা রাজ ভবন, সী এম সেক্রেটরিয়েট ষ্টাফশিং, সেক্রেটরিয়েট ষ্টাফশিং, জি এ দি, পি ঐচ ক্যু, এন আই সী, কাউ, এন এস য়ু, আই এম সী, সী বি আই, এস আই বি, এন আই এ, এম দি এস, হোম, হায় কোর্ট, দিষ্ট্রিক্ট কোর্টস, এল দি এদভোকেটস, বেঞ্চ ষ্টাফস এন্দ এম টি এম কেস ভেন; অৱাং জিরি কে এস কে, নম্বোল হৈক্রুজম রোদতা ৱাটর ভেহিকলস, ভেহিকলস এন্দ মেছিন্নরি য়ুজ ইন এগ্রিকলচর এন্দ টেলিকোম (দিজল ওনলি); ৱাই এস সর্ভিস ষ্টেসন (ঐচ পি সী এল), মোংশাঙ্গৈদা কাফ এন্দ পি, ৱেট এন্দ মিজরস, এফ সী আই, ভেহিকলস ট্রান্সপোর্টিং রাইস ওফ কাফ এন্দ পি দি, এয়রপোর্ট ষ্টাফস, হোম, ম্যুনিসিপালিটি ভেহিকলস এন্দ মেদিকেল; জাস গ্যাস সর্ভিস ষ্টেসন, উরিপোক্তা ওংলি মেদিকেল; খাঙেনবম ওইল সর্ভিস ষ্টেসন, নিংথেমচা কারোং, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ইন্টর-ষ্টেট ট্রকস ট্রান্সপোর্টিং গ্রোসরি আইটেমস এন্দ পি ও এল টি টি এস; জে আর এল ফিল্লিং ষ্টেসন, দিঙ্কু রোদতা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন/ইম্ফাল ইষ্ট, হোম, টেলিকোম, বোসেম এন্দ কোসেম, এল পি জি ভেহিকলস, মেদিকেল এন্দ ৱাটর ভেহিকলসনি হায়রি।

# কংলৈপাক্তা ফুরুপ অমত্তগী হোমলেন্দ তানবা য়ারোই, মীতৈ মীয়ামগীদমক অঙম্বা থাক্তা থেংনগনি : সিকো

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** কংলৈপাক্তা ফুরুপ অমত্তগী হোমলেন্দ তানবা য়ারোই, মীতৈ মীয়ামগীদমক সিকোনা অঙম্বা থাক্তা থেংনগনি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী সেক্রেটরি জেনরেল ইরেংবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ মখল ৩৫ রোম হেন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরি। মসিদা ঐখোয় মশেল য়াম্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নফম থোকপনি। পীক্লবসু পীক্ল । চীং-তম অসিদা কাঙলুপ শুনা লৈমিন্নবগী, চাউখৎমিন্নবগী, মতেং পাংমিন্নবগী ৱাখল্লোন ফাওফম থোকই। পীকখ্রবা চীং-তম অনীনা পুল্লগা শেন্বা ইরমদম অসিদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ফিংগৎনবা, শাউনবা, হাৎনবা অমদি ফৎতবা থবক করিগী তৌফম থোকপগে। অপূনবগী পাঙ্গল, নুংশি-চান্নবগী, অমগা অমগা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন অদু লৈফম থোকই। অদু নত্তদুনা ফুরুপ অমগী থবক থৌরমদা ৱাকাই তুকায় ঙাংবা, অয়েৎ-অপন পীবা, য়ৈখায় থিনগাইবা, খুৎ থিংজিল্লকপা, কলক মীহৌবা, হৈপা শাজিল্লকপা অসি তৌফম থোক্তে। ফুরুপ অমনা অমবু ঈকায় খুম্নফম থোকই।

মতম পুম্নমক্ত ফুরুপ অমনা তৌবা থবক থৌরমদা য়েৎকনি, য়ৈখাই থুগায়গনি, মহৈ য়ালহল্লোই হায়দুনা অরানবা ৱাখল্লোন শাগৎতুনা, অরানবা অমদি ওইরোইদবা মঙলান কয়া শাগৎতুনা লৈরগদি কম্দৌনা চাউখৎপা, ঈং-তপ্পা ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) অমা ওইরক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ফুরুপ অমগা অমগা শাউনদুনা য়ুম মৈ থাবা অমদি হাৎতোক্নবনা করিসু কান্নবা পুরক্লোই। ভাইওলেন্সকী থৌদোক্না মতম পুম্বদা মাঙজবা পুরক্কনি। মরম অদুনা হৌজিক থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং লেপফম থোকই। অমরোমদা, হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না অরানবা পাউ অমদি তোকঙাদা থাজবীগনু। লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি মপানদগী চঙলকপা কুইদ্রিবা কুকি খরনা থোকহনখিবনি। লাইবক থীরিবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা খঙলবসু খঙশিন্নদবা শাদুনা তুমীন্না লৈথোক্লিবা অসিনি হায়রি।

লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মৈতৈঈং-তপ্পা পাম্বা ফুরুপনি। মৈতৈনা মবুক ফবা অমদি ঙাকপীবা হৈবনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা ফুরুপ মখল শুনা খুন্দামিন্নবা ঙম্লিবনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা লম্নাই মীওই খরনা লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি কৈদৌনুংদা তুমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। কুকি এম এল এ ১০না কুকি মীয়ামগী মায়কৈদা লৈদুনা থবক তৌবা হৌখ্রবসু লেমহৌরিবা এম এল এ ৫০না তুমীন্না য়েংদুনা লৈরিবা অসি করি মরমগীনো হায়না চেরোল অসিনা হংলকখিবগা লোয়ননা এম এল এ ওইনা ৱাশকপদা লমদম অসিগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়খিবশিং অদু মখোয় নীংশিংদবরা হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মপান্দগী পুশিল্লকখিবা অহেনবা আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা কুকি লালহৌবা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মমি ঙসি ফাওবা উবা ফংদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা লাক্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অসি চুম্নগী লমদম অসিদা লম কোয়বা ওইনা লাক্লিব্রা হায়বা ৱাহংসু মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হোমলেন্দ পাম্লবদি মখোয়-মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা ইজরেল অমদি বর্মাদা চৎতুনা তাঞ্জরুরো হায়না মখা তারি।

# মীলালনা ৩লকশুবা ওইনা তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্না কাঙলুপকী ঈরাং অসিদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা মীলালগী প্রসিদেন্ট খাইদেম ইঙোচানা লুচিংদুনা ৩লকশুবা ওইনা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সোইবম অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙচৎ অদুদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা নোংসুম মমাঙ লৈকায়দা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবী অরুবম থাজমানবীনা মণিপুর লৈঙাক্তা ৱারৌরদুনা কুকি লালহৌবশিংনা ঙাইহাক লৈতনা য়ুম মৈ থাবা য়াওনা মীতৈ মীয়ামদা খৎনবা হৌদুনা লৈরিবা অসি লৌথোকখো। মীতৈ মীয়াম্বু ঙাক শেনবীয়ু, ঐখোয় ঈংনা চিক্লা লৈবা পাম্মী। কুকি লালহৌবশিংনা য়ুম মৈ থাবা, মী হাৎপা লেপ্তুনা চথরক্লিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা অৱা-অনা তারবশিংদা লাক্তুনা ঙসি ফাওবা হংলদবা হায়বসি লমদম অসিগী মপী-মপানি হায়বদা মতিক চাদে হায়খি। লোয়ননা লৈঙাক্লা সূদা লৈরিবা কুকি লালহৌবশিংবু লৌথোকপগা লোয়ননা লমদমসিদগী মরু ফংনা পুথোক্ত্রিবা ফাওবা ঈরাংসি অদুম লৈখিগনি। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা সিফাইশিং মীচম মীয়াম ঙাকপা ঙম্লোইদবা লৈরগদি মরমদমদা হলহনখ্রো হায়না য়াম্না পেন্দনা পাউদম্লকখি।

## চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা কবো লৈকায় (দ্যুলালেন্দ)দা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা শেলগী তেংবাঙ ওইনা লুপা লিশিং ১৫ পাংখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী সেক্রেটরি লায়ন মানস মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা মে ৪দা বিল্ডিং খরা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মৈ ৱাইরক্তুনা মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা চিলদ্রেন হোম অসিগী অঙাংশিংনা লৈনরিবা বিল্ডিং অদু মৈ চাকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদা লৈরিবা অঙাংশিং হৌজিক খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শেনফম অসি চিলদ্রেন হোমগী নোংমগী চঙবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগী পান্দমদা তেংবাঙবনি। শেল খুৎশিন্নবগী থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দি লায়ন ডা. দল্লিয়ু গোবিমোহোননা লুচিংদুনা ক্লবকী প্রসিদেন্ট লায়ন ডা. পি ব্রজমনিনচিংবা লায়ন মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## য়াম্বেমদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** য়াম্বেম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি য়াম্বেম অপূনবা লূপ অনীনা শীন্দুনা ঙসি য়াইরিপোক য়াম্বেম লাইমাংদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

কোকোমিগী মখাদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মণিপুরদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন (এন আর সী) অথুবা মতমদা চৎনহল্লু, মণিপুর থুগায়বা য়ারোই, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, লাঞ্জেল্লকপশিং অথুবা মতমদা রিসেট্টলমেন্ট তৌহল্লু, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) খুদক্তা হন্দোকউ হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়খি অমদি ৱাকৎ মীফম লোইশিল্লকপদা খোল্লাউ ওইনসু লাউখি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়াম্বেম অপূনবা লূপকী চেরমেন সনসম জুগিন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুরদা তব্দু-লৈতাবা পুরক্লবা লৈঙাক্না শীনগদবনি, মণিপুর থুগায়নবা শীল্লিবা এম এল এ ১০গী মথক্তা কন্সটিট্যুসনগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

## ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা খূদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** লমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক ফুরুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা নুংঙাইনদনবগী থৌদোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিং মরুওইনা নাগা অমসুং মৈতৈ পাঙলশিংগা পুল্লগা মেম্বর ৬১না শাবা কম্মিটি অমা শেমখিমবগা লোয়ননা কম্মিটি অসিনা অঙম্বা থাক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

ফোরম ফোর রেষ্টোরেসন ওফ পিছ হায়না মিংথোনবা কম্মিটি অসিগী কন্ভিনর ওইনা খনখ্রবা অশাং কছারনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাংলদুনা হায়, কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক্না মরম ওইরগা লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ খূদিংমক্তা অৱা চৈথেং পীরি। মরম অদুনা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা ফুরুপ খূদিংমক্না হোৎনফম থোকই।

সোসল নৎত্রগা পোলিটিকেল ওইবা মওংদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনসু ঈরাং অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনগদবনি। মরম অদুনা নৌনা শেন্নবা কম্মিটি অসিনা হান্নগুম অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা ঙমহন্নবগীদমক হোৎনবা য়াবশিং হোৎনগনি হায়খি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পোলিটিকেল ইস্যু য়ানদবা লৈরম্বশিংসু পোলিটিকেল ওইনা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি। মসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মপুং ফানা মতেং পাংফম থোকই। নাগাগী লিদরশিং য়াওনা চান্দেল, কাংপোকপী, তমেংলোং অমসুং সী সীপুরগী সী এস ওশিংগা উন্দুনসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শারগনি হায়খি।

## থৌবাল অমসুং ককচিংগী রিলিফ কেম্পশিংদা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলুপকী ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা মফম কয়াদগী লাঞ্জেল্লকপা মীয়ামগী চঙজফম পীরিবা থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা ঙসি আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবা সোসল ৱার্কর ডা. এলিসন অবোমাই অমদি চীং-তম ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চেঙ য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং কোয়না চৎতুনা তেংবাঙ পীখ্রে।

ঙসি তেংবাঙ পীখ্রবা মফমশিং অদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিং, লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, পাইওনিয়র ক্লব ৱাংজিং হোদাম্বা অমদি য়ুথ ভলন্টরি এসোসিএসন, ৱাজিং বজারদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিং অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ককচিং মখা লৈকায়দা লৈবা গ্রেস কোট্টেজ একাদেমী ককচিং অমসুং ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংনি।

তেংবাঙ পীবা অদুগা মরী লৈননা ডা. এলিসন অবোমাইনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ খূদিংমক চীংগী মীনি তমগী মীনি হায়বা লৈতনা অমুক হন্না নুংশিননা লৈমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় পুম্নমক ঈশ্বরগী মচা ঙাক্তনি। খৎনবা হায়বসি অফবা থবক নত্তে। অথুবা মতমদা ঐখোয় খূদিংমক্না হান্নগী মহৌশাগী পুন্সিদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপীল তৌখি।

## এইমসকী ১১শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)কী ১১শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম ঙসি এইমসকী ময়াই লোয়শঙ ক্বাকৈথেল গার্লস হায়র স্কুলদা পাঙথোকখ্রে হায়না এইমসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল খুমুজম রোশননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক লৈরিবা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু অসিনা মরম ওইরগা য়াম্না চম্না এইমসকী ভাইস প্রসিদেন্ট নিকর্সন খুমনচা, লিপুলগী সোমোরেন্দ্রো থোকচোম, এল কে কে এলগী প্রসিদেন্ট পুয়াম জয় অমদি ইকলগী প্রসিদেন্ট ইমা মেম্মনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। এইমসকী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, লোকেল য়ুনিট অমদি হেদ ক্বার্টরগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিনা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী হেন্না অচৌবা শাফু পীরিবা অসিদি মহৈরোয় খুন্নাইনি। মতম কুইনা কোভিদনা মরম ওইদুনা মহৈ-মশিন অমদি স্কুলনচিংবা তৌরুদ্রবা মতুংদা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা কম্ম্যুনেলগী ওইবা ইস্যু অসিনা মরম ওইদুনা মহৈ-মশিনদা অপনবা অমুক পীরি। মণিপুরদা লৈরিবা মহৈ তমজরিবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক করোমদা ওইরক্কদৌরিবনো হায়না এইমসকী মায়কৈদগী মীয়ামদা হংজরি অমদি হৌজিক লৈঙাক পায়রিবশিংনা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা হেন্না খুদোংচাগদবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই।

খুৎলায় পায়বা সূদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরক্লিবা থৌওং অসিনা মহৈ-মশিনদা অকায়বা পীবতা নত্তনা পুন্না চহী লিশাং শিংনা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা খায়বুং তানহন্নবা শীল্লে। চিন-কুকিগী মপান্দগী চঙশিল্লক্লিবা মিলিটেন্টশিং অসি তকথোকপা নৎত্রবদি লমদম অসিদা ড্রগ অমদি খুৎলায়না লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি চমজরবা মীচম মীয়াম্বু পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা থৌওং অমা চথরক্লবরা হায়বসিনি। ঈরাং অসিবু ৱারোইশিন পুরক্লবা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা এইমসনা থৌনা ফনা মাঙ থানা শরুক য়াজগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## টেররিষ্টনি হায়না লাউথোক্কদবনি : কোকোমি

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা খুৎলায় পায়বা কুকি লালহৌবা কয়া থোরক্তুনা মরাল লৈজদ্রবা মৈতৈশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা অমদি হাৎপগী থবক চথবদা চেন্নরিবা খুৎলায় পায়বা কুকিশিং টেররিষ্ট ওইনা লাউথোক্কদবনি হায়না কোকোমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা কোকোমিগী লোয়শঙদা পাউমীশিংগা উনখিবদা কোকোমিগী কনভিনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা পেরামিলিটরিনা মৈতৈবু ঙাকপীবগী থবক তৌদ্রি। তোর্বুংদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং করি তৌরিবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। ঈরাং থোক্লিবা মফমশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙাক শেনবগী মহুৎতা সূদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংদা মনিং তমহল্লিবসি খুদক্তগী তোক্কদবনি হায়খি।

## এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টরগী থবক্কা মণিপুরগী ঈরাংগা মরী...

*লামায় ১গী মখা...* হায়বদু চঙশিনফম থোকপদু মিনিষ্টরনা চিন্বাল লেংদ্রি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অনী য়াওনা পুন্না এম এল এ ১০না মশাগী খুৎয়েক পীদুনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমা পীনবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌখিবদু লালহৌবশিংনা প্রেসর পীবদগী হায়খিবনি হায়না, হুইনা খোঙগদবদা গধানা খোঙলক্লিবসিবু করি মরমগীনো। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা এম এল এ ১০গা কয়া য়াম্না নক্লবীবগে। পাউ তোয়না ফাওনরবদি মখোয়না তশেং তশেংনা মীয়াম মমাঙদা থোক্লক্লগা লানখ্রে হায়হনবা করি কায়বগে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনসু হীরম অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম পীবীবা পাম্মী। মরম অদুনা আর কে রঞ্জনগী ৱাফম অসি সী পি আইনা কন্দেম তৌই। অদুবু লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী মায়োক্তা খোঙজং চৎথরকপা খূদিংমক থেংননবা হনবা নাইদনা লেপকনি। ঐখোয়গী খোল্লাউদি মণিপুর কল্লু, মীওইবগী পুন্সি কল্লু হায়বসিনি।

হৌখিবা মে ১৮দগী ২০ ফাওবা দেল্লীগী অজয় ভবন, সী পি আই নেসনল হেদ ক্বার্টরদা ফমখিবা নেসনল সেক্রেটরিয়েট অমসুং নেসনল এগজিক্যুটিভতা কমরেদ ডা. এম নর শরুক য়ারুরে। মহাক্না মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী ফুল রিপোর্ট অমা লামায় ২০ পানবা চেরোলগা লোয়ননা পেপর কট্টিংশিং পীদুনা থল্লুরে। নেসনল এগজিক্যুটিভনা নুমীৎ খরনিসিগী মনুংদা পার্টিগী এম পি য়াওনা দেলিগেট টিম অমা মণিপুরদা লাকহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। লোয়ননা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতসু মরু হক্না তক্লরগনি। ৱাথোক অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফম করি লৈবগে নৎত্রগা মখোয়গী গেম প্লান ওইবরা হায়বদুসু থীদোক্লগনি।

মরক অসিদা সী পি আইগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পিছ কম্মিটিগী কমরেদ এল ক্ষেত্রা, কমরেদ এম রামেশ্বর, কমরেদ য়ু কুঞ্জো, কমরেদ এম বিহারজিটনা লুচিংদুনা থৌবাল, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অনীদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা অৱাৎ-অপাশিং অমদি অৱাবা তারবা ভিক্টিমশিং উনবগী থবক নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চথখ্রে। মখোয়না শুগনু এ সীগী চীংয়াদা তারম্বা মীশিংনা হিয়াংলম ককচিংনচিংবদা লৈরিবশিংগী অৱাৎপশিং অমদি ময়ুম-মকৈশিংদু ঙাকপী শেনবীনবা তক্লনবা হায়রকখি। ৱাংজিং তেন্থা, হৈরোক, খাঙবোক অমদি ৱাংখেম এ সীনচিংবদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙ-চঙদুনা য়েংলুবদগী লৈঙাক্না তৌগদবা মপুং ফাবা থবকশিংগী মতাংদা দিমান্দ তৌবীনবসু হায়রকখি। পিছ কম্মিটিনসু রিলিফ কেম্প খরদা শেলগী মতেং পীরমখি।

## পোৎলোইগদবা হকচাং ফাওবা সিফাইশিংদা তৌহৌরো হায়দুনা শিন্নরম্লগা...

*লামায় ১গী মখা...* থবক্তি অমুক ফাওবা তৌরক্ত্রি হায়রি।

মোরেদা লৈবা য়ামখ্রবা সিফাইশিংদুগী মরক্তা চীংমী অমা থোরক্তুনা 'মৈতৈ লোইনমক হাৎকে থোরকউ' মৈতৈ ফত্তবশা নখোয় চৎলব্রা হায়না লম্বীদা লাউদুনা খূবাক খুহৌই। ঐখোয় পুম্নমক অঙম অঙম্বা হাৎতোক্লরসি হায়রিব্রা হায়নসু য়াম্না নুংঙাইতনা হংলকখি।

মোরেদা থোকখিবা থৌদোকশিং হকথেংননা মায়োক্লখিবী রিলিফ কেম্পদা লৈরবী নুপী অমনা মহাক্কী দুকান মৈ চাকখিবগী ভিদিও ফুটেজশিং উৎলকখি। মহাক্না হায়, ভিদিও অদু মখোয়না নূঙনা থাবা হৌরক্ত্রিঙৈদা মহাক কপ্পা কপ্পা লোন্না নমহৌবনি হায়রি।

মহাক্না হায়, ঐগী ইমাংমক্তদা মখোয়না ঐগী দুকান তুম্নবা মৈ থাদোকপীখিবনি। চুড়াচান্দপুরদসু নুপীশিংদা ফোংনা ওৎপী নৈবী হায়বগী পাউ তাখি। পাউ অদুদগী কিরবসু কিনা ঐখোয় মপান থোকখিদে। অদুবু থৌদোকশিং অদু থোক্লবা ফাওবদা আর্মি অমত্তা লাকখিদে। মোরেগী ফায়র বৃগেদ ফাওবা চীংমীশিংনা ছো লোনশিল্লগা থম্মী হায়না তাখি। মৈ চাকখ্রিবা হোটেলশিংগী মনুংদা অমখক হান্না চাক্লকপদা কলহৌবা ঙম্বগী তাঞ্জা ফংখিবনি অদুবু হৌজিক্তি কনবীনবা লৈখিদবনা পুম্নমক মৈনা তুম্না চাকখ্রে। চীংমীশিংনা পুলিস কম্মান্দো ফাওবা মপান্দা থোরকহনখিদে। থৌদোকশিং অদু থোরকপদগী পুলিসনা টিয়র গ্যাস খরা কাপ্পা হৌরক্লবসু মৈ থারিবা মীওইশিং অদুনা নোক-খেদুনা হরাওরগা লৈহৌই হায়রি।

মোরেদা লৈরিবা মীতৈশিং লৈত-লায়রবশিংনা নম্মী। শেল তাল্লগা মচা-মশু শেম্নবা হোৎনজবা ঙাক্তনি। মোরেদা তাংজফম ওইবদগী মফম অসিবু সনাগা চপ মান্নৈ হায়নসু লৌনরিবনি। লল্লোন ইতিক তৌরগা হিংননবা হোৎননবা ঙাক্তনি। অদুবু হৌজিক্তি মোরেদগী মীতৈ পুম্নমক লোইনা তাম্থোক্লগা মখোয় খক্তগী ওইহৌগে খল্লে হায়রি।

রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরিবা মোরেগী ভিক্টিমশিংনা মখা তানা হায়, হৌজিক ঐখোয় মফম অসিদা করি তৌরগা হিংগনি। মোরেদা কুইনা লল্লোন ইতিক তৌদুনা লৈরকপনা লৌ লিংবা অমসুং খাওবসু হৈতে। শেল য়াম্না পায়দুনা ফল্লিবা দুকান্দা পোৎ চৈ য়াম্না থাদবসু নত্তে। শুপ্নতগী শেলহুনবী লৌরগা দুকান্দা পোৎ চৈশিং খরা য়োঞ্জবনি। শিংলকপা শেলদগী শেলহুনবীগী শেনফম পীথোকখ্রগা হিংনবা হোৎনবনি। হোটেল মচা মচা ফল্লিবশিংসু লুপা লাখ ১/২ পায়রগা ফম্বা অমত্তা নত্তে। অদুবু হোটেলশিং তুম্নবা মৈ থাদোকখ্রিবসি ঐখোয়গী পুকচাক লম্বী মাঙহনবীবনি। মসিদা নত্তনা ঐখোয়বুসু মফম অদুদগী য়ুম মৈ থাদুনা তাম্থোকপীরকখিবনি।

খ্বাইদগী ঙক্লিবদি মোরেদা লৈবা ময়াং (নন লোকল) অমত্তা শোকহৌদে। ম্যান্মারদগী লাকপা নুপীশিং অদুমক মহৌশাগুম্না পোৎফম ফমহল্লি। অতম্না মৈতৈ খক্তদা খূৎ থারকখিবনি। হৌজিকসু মোরেদদি অযূক পুং ৬তগী নুমিদাংগী পুং ১০ ফাওবা থোঙ হাংলি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু হায়রিবা ফীভম অসি থা অসিগী ১০ ফাওবদা লৈখিবনি হায়রি।

চীংমীশিং অদুনা কয়ামুক য়াম্না মীনুংশি য়াওদবগে হায়ববু মায়কৈ কয়াদা মৈ থাগৎলকপদগী কোক ঙাওরগা হিংননবা চেল্লিঙৈ চৈরক্তুদা 'ইমা করিসু তৌরোই ঐখোয়দা লৈরু লাকও' হায়দুনা কৌশিল্লকপসু য়াওখি। চাওখ্রবা য়ূম অমদা মখোয় নুপা অনীখক লৈরম্মী। অদুগা মখোয়গী নুপী অঙাংশিংনা মাঙজে ৈননা থৈদোক্লক্লে। মখোয়গী মওং অদুদা কিবদগী ঐখোয় অমুক হন্না চেন্থোরকখি। মোরেগী হেলিকোপ্টর তাফম তান্না চেনখৎলকখি।

অদুম ওইনমক তশেংবমক্তি থৌদোকশিং অদু মোরেদা লৈরিবা চীংমীশিংনা হান্না হৌদুনা তৌরকখিবা নত্তে, চুড়াচান্দপুর রোমদগী লাকখিবশিংনা মাঙজিল থারগা হৌরকপদগী মখোয় অমত্তা ওইমিন্নখিবনি হায়রি। হৌজিক ঈরাং নেম্লক্লবদি ইম্ফালদা করি শু-নোম্লগা লৈরুগদগে খনবদা মোরেদা অমুক হনবগী ৱাখলদি পোক্লি। ঈরাং অদু ঙাইহাক্কী ওইনা থোকপনি খল্লুবনি অদুবু হন্দক্কীসিদি মওং অমনি হায়রদুনা শুপ্নতগী হিংলগা লোইরে খন্দুনা চেল্লকপনি। চেল্লকখিবশিংগী মনুংদা নাওপুরকপা অঙাং থা শুরকপা অমসুং অঙাং উন্নগদবা মতম নকশিল্লক্লবা য়াওনা মৈনীং কুম্বদা ঙাইরিবা নুপীশিংসু লাঞ্জেন্নরকপদা য়াওরকখি। অফবা ঈশিং থকপা ফংদবদগী লৈঙাং মচু ওইবা ঈশিং ফাওবা থৱায় খক্তমক হিংলবদি লোইরে হায়দুনা থক্লগা লেল্লকখি। লৈখিদবা মীওই অমা পোৎলোইগদবা ফাওবা আর্মিশিংদা নখোয়না থোকপা তৌবীহৌরো হায়দুনা শিন্নরম্লগা চেল্লকখিবনি হায়না পাউদম্লকখি।

## হেন্না অৱাবা চৈথেং পীরগনি

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** হৌখিবা মে ৩দগী হৌরকখিবা ফুরুপ অনীগী খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তগী মীশি-মীনা কয়া থোকখিবা, য়ুম-মৈ কয়া মৈ থাখিবা, অমাঙ-অতা কয়া থোকখিবনা লমদম অসিদা তব্দু-লৈতানা হৌজিক ফাওবা লৈবা ঙমদ্রি হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসিএসন (এ এম পি এফ এ)গী সেক্রেটরি কে ঐচ বিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমশি চহীসিদি নোংসু তারকখিদ্রে, ঈথৈ-লৌখোংসু ফত্তবসিগী মথক্তা কাঙলুপ অনীগী লান অসিনা লৌমী মীয়ামদি হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা ওইরগনি। লমদম অসিগী মীয়ামদি লৌ উবনা মরুওইবা শিনফমনি। মসি ফেল ওইরবদি লৈবাক অসিগী ইকনমিদা অচৌবা চৈথেং পীবতা নত্তনা চানবগী চীঞ্জাক্কী অৱাবা ওইগদৌরিবনি।

ঈরাং অসিনা লোইশিনবা নাইদনা অসুম লৈরবদি লৈরিবা লৌফমশিং অসি লৌ পানবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈরক্কদৌরি। থোক্লিবা ঈরাং অসিনা হেন্না শোকহল্লিবদি চীং অমসুং তমগী লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংদনি। মরম অসিনা লৈঙাক্না থোরক্লিবা ঈরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা অমুক হন্না থোরক্তনবগী পাম্বৈ পুথোক্তুনা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - Upto date.**
Office Contact No.,9362654114.
Time 8:30 to 12:00 .
Available 19kg and 5kg.
**M/s K&K INDANE SERVICE,**
For home delivery
Gas Booking, please call within 8am To 11am:
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395

HL-P/6713/17/5-4/6 (alt)

Inspire SCIENCE ACADEMY
Kwakeithel Lamdong, ImphalWest,
ADMISSION OPEN
SPECIAL OFFER FOR CBSE AND OTHER BOARDS FOR ADMISSION to CLLASS-XI Sc. (Limited Seats)
- For students who scored 90% and above in Class-X Examination, 2023
- Students must bring Marksheet, Original Admit Card of Class-X Examination, 2023 and 2 Passport Photos.
- For details, contact **INSPIRE SCIENCE ACADEMY** Office.
- N.B :50% & above in the Class-X, Pre-Board School Exam.
- Office Time : 9:00 a.m to 1:00 p.m.

Please contact: #8415095405, #8178443975, #7005577079, #8119084276, #9366229335, #8787477163
Sd/- Principal, Inspire Science Academy

### DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate and Marksheet of HSLC Examination, 2017 bearing Roll No. 17541 issued by BOSEM and Class XII (Arts) Examination, 2019 bearing Roll No. 2629 issued by COHSEM on the way between my residence and Bazar on 04/05/2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thoi Langpoklakpam**
New Bazar, Hill Town
Churachandpur
HL-P/6580/23

### ROYAL ENFIELD STOLEN

My Royal Enfield Cont Nental GT 650, Mr Clean Chrome in Colour bearing Regn. No. MN01AM-0338 having Engine No. P7A6FCN1121868 and Chassis No. ME3P7A6FCN1000532 has been found stolen away by some unknown person (s) while kept parked under lock and key inside the gate of my house located at Keishamthong Hodam Leirak on 16/05/2023 at around 2:20 am. If anybody found it please inform me or to the nearest Police Station.

Sd/- **Asem Bobin Singh**
Keishamthong Hodam Leirak, Imphal
# 8287736073
HL-P/6578/23

SMART TUTORIAL CENTRE
REGD. NO. IW (SLI) 0332
SINGJAMEI SUPER MARKET
OUR SHINING STARS
FEATURES
·MEDICAL, ENGINEERING & NDA COURSE
·FOUNDATION COURSES FOR CLASSES IX, X, XI & XII (SECOND BATCH)
CLASSES COMMENCING ON
• CBSE: 18th May & 5th June, 2023
• BOSEM: 22nd May & 12th June, 2023
HOSTEL available for class (vi) and above

BATCHES MORNING & EVENING
CALL: 8787601123,03857966211
FREE supply of printed questions & answer,weekly exam and MEGA TEST
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
HL-B/8140/3/5-13/6